# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াদুনা ৱর্ল্ড কলচর ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

যমুনা তুরেলগী তোর্ব্বানদা শ্রী শ্রী রবি শঙ্করগী *আর্ট ওফ লিভিং*না শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চখ্খগদবা ৱর্ল্ড কলচর ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি অতৈ শক্নাইরবা মীওই কয়াবু ষ্টেজদা লৈ পরেং হুক্তুনা তরাম্না ওকখি।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৫৫ দগী লাকপা মীওইশিংনা শরুক য়ারিবা থৌরম অসিদা আর্টিষ্ট লীশিং ৩৬ লোম্না তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া উৎখি।

আর্ট ওফ লিভিংনা অহানবগী ওইনা লুপা লাখ ২৫ পীরগনি হায়না ফোঙদোকখিবদগী নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেলনা ঙরাং থৌরম অসি পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীখিবনি।

ঙসি অয়ুক দিল্লিদা নোং চুরকপদগী মীয়াম্না ফেষ্টিবেল অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্লরোইদ্রা হায়না মিপাইবা পোক্লখি।

মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০দা মিনিমম টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রী ১৯ ওইখি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা দিল্লিগী মফম খরদা নোং পারপ চুবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অসি পাঙথোকপদা মীওই কয়ামরুম তিনগদবনা ইনভাইরোন-মেন্টতা অকায়বা থোকহল্লক্কনি হায়না মায়কৈ খরদগী য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবা মরম্না অচৌবা ৱাথোক অমা ওইখি।

আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না থৌরম অসিদা চাউরাক্না মীওই লাখ ৩৫ রোম শরুক য়াগনি হায়রি।

লুপা ক্রোর ২৫.৬৩ চঙনা শীল্লিবা থৌরম অসিনা ইনভাইরোনমেন্টতা অকায়বা থোকহল্লক্কদবা লৈবা মরম্না লুপা ক্রোর ৫গী ফাইন থীনবা নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসন্দা খঙহনখি।

অদুবু ফাউন্দেসনগী রবি শঙ্করনা ফাইন থীবগী মহুত্তা জেলদা চঙনবা শেম-শাদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোরকপদগী অমুক্তা হেন্না ৱাথোক চাউথোরকখি।

এন জি টিগী চ্যেরপার্সন স্বতন্তন্তর কুমারনা লূচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, রবি শঙ্করগুম্বা মীওই অমনা লৈবাক্কী লো শীংনদুনা অসিগুম্বা মখলগী ৱাফম ফোঙদোরকপসি লাইবক থীবনি।

লোগী মথক্তা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা লৈতে হায়না পল্লদুনা বেঞ্চনা হায়খি মদুদি, এ ও এলনা খুদক্কী ওইনা লুপা লাখ ২৫ থীরক্কদবনি। করিগুম্বা ৱাফম অসিদা য়াদবা থোক্লবদি হায়রিবা শেনফম অসিগী মথক্তা সেন্টরনা থৌরম অসি পাঙথোক্লবগীদমক পীখিবা লুপা ক্রোর ২.৫ সু ফাইন ওইনা থীহনগনি।

ফাউন্দেসন্না থৌরম অসি শেন্দোং ফংনবগীদমক খল্লগা শীনখিবা নত্তবনিনা খুদক্তা লুপা ক্রোর ৫ খোমগৎপা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা এন জি টিনা খুদক্কী ওইনা লুপা লাখ ২৫ থীনবগী ৱাফম খঙহনখিবনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্টশিংনা মখল মথেলগী থৌরমশিং উৎখি। সাউথ ইন্দিয়াগী আর্টিষ্ট লীশিং ১না ভারত নাটিয়ম উৎখিবগা লোয়ননা বলগেরিয়াগী আর্টিষ্ট ৫০০না হোরো দান্স উৎখি। হিমাচল প্রদেশ, গুজরাত অমদি ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংদগী লাকপা আর্টিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী জগোইশিং উৎখি।

# লান্মীশিংদা অথুবা মতমদা মোবাইল ফোন পীরগনি : মিনিষ্টর



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

ইন্টরনেসনল বোর্দর অমদি নক্সলাইটকী ঈহৌ লৈবা মফমদা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংদা গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা সিক্যোর মোবাইল ফোন পীরগনি হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফ্যের্স হরিভাই পর্তিভাই চৌধরিনা ফোঙদোকখ্রে।

এসোসিয়েটেদ চেম্বরস ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি ওফ ইন্দিয়া (এসোচম)না শীন্দুনা পাঙথোকপা ৮শুবা ইন্টর-নেসনল সিক্যুরিটি সম্মিট হৌদোকপগী থৌরমদা চৌধরিনা হায়খি, ঙসিগী চাউখৎলবা মতম অসিদা লান্মী অয়াম্বা মোবাইল ফোন পায়দে। মরম অদুনা বোর্দর এরিয়া অমদি নক্সলাইটকী ঈহৌ লৈবা মফমদা মথৌ তৌরিবা লান্মী খূদিংমক্তা মোবাইল ফোন পীনবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

থ্রি জি মোবাইল কনেক্সনগী খুত্থাংদা লান্মীশিংনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা ৱারী শানবা ফংজনবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎকদবনি হায়রি।

বট্টালিয়ন হোংবা খূদিংগী কোয়পু পুরগা চৎপা য়াবা টেলিফোন এক্সচেঞ্জ লৈনবগী মতাংদা য়ু এসকী কম্পনি অমগা ৱারী শানবা হৌরে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

অথুবা মতমদা ব্লদ সেম্পলশিং প্রোসেস তৌবা ঙম্বা ইক্বিপমেন্ট খরা লৈনবগী মতাংদা অতোপ্পা য়ু এসকী কম্পনি অমগা পাউ ফাওনরে। অতেনবা মতমগী মনুংদা ব্লদ সেম্পল প্রোসেস তৌবা ঙম্বা খুৎলাই লৈরবদি লান্মী কয়াগী থৱায় কনবা ঙমগনি।

মখল খূদিংমক্কী সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা হোৎনরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সাইবর ক্রাইম লাকশিন্নবগীদমক হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লূচিংবা আই টি এক্সপার্টশিংগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমা শেম্লে। হেক্করশিং মায়োক্ল-নবগীদমক কম্মিটি অমসু শেম্লে।

মরকসিদা, থা খূদিংগী সিয়াচেন গ্লেসিয়রদা লৈবাক অসিগী লান্মী অমমম শিরি হায়না ইন্দিয়ান আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা পুখৎলকখিবা দেটা অমগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৮৪দগী হৌরগা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ফাওবদা ইন্দিয়াগী লান্মী ৮৬৯ সিয়াচেন গ্লেসিয়রদা শিখ্রে হায়রি।

হন্দক্তসু ফেব্রুৱারী ৩দা মাদ্রাজ রেজিমেন্টকী লান্স নাইক হনুমনতপ্পা কোপ্পর য়াওনা লান্মী ১০ শিখ্রবনি। হৌখিবা চহীদা ওফিসার ৩৩, জুনিয়র কম্মিসন ওফিসার ৫৪ অমদি অতোপ্পা রেঙ্ককী লান্মী ৭৮২ য়াওনা পুন্না লান্মী ৮৮৩ সিয়াচেনদা শিখ্রে হায়রি।

# বিজয় মাল্লিয়া ইকনমিক টেররিষ্টনি : শিব সেনা



মুম্বাই, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা শিব সেনানা হায়খ্রে মদুদি, সেন্টরনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদবদগী ইকনমিক টেররিষ্ট অমা ওইনা লৌবা য়ারবা বিজয় মাল্লিয়ানা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চেনখিবনি।

মহারাষ্ট্রাদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা শিব সেনাগী চেফোঙ *সাম্নাগী* এদিটোরিএল অমনা হায়খি, মপান লৈবাক্তা থৈদোক্তুনা থল্লিবা ব্লেক মণি পুম্নমক লৈবাক অসিদা পুরক্কনি হায়না ৱাশকখিবা বি জে পিনা বিজয় মাল্লিয়াদগী লুপা ক্রোর ৯,০০০ লৌখৎপা ঙমদ্রে। শেনফম অদু ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংগীনি। মীয়ামগী লন-থুম মাঙ-তাকহল্লিবা বিজয় মাল্লিয়াবু ইকনমিক টেররিষ্ট ওইনা লাউথোক্কদবনি।

বিজয় মাল্লিয়ানা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিবগী মতাংদা শিব সেনানা হায়খি, বেঙ্কশিংনা য়াল্লবা শেনফম অদু ফংনবগীদমক সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলিঙৈগী চৈরক্তা বিজয় মাল্লিয়ানা ইকোম-কোম্না এরোপ্লেন তোংলগা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিবদা গভর্ণমেন্টনা করিসু তৌবা ঙমহৌদ্রে।

কোংগ্রেসনা লূচিংবা য়ু পি এনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদা মাল্লিয়ানা বেঙ্কশিংদগী লোন লৌখিবনি। অদুবু বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এনা গভর্ণমেন্ট পায়রবা মতমদা মহাক্না লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেনখিবনি হায়নসু শিব সেনানা ফোঙদোকখি।

লোন শিংদবগী মতাংদা পার্টি অসিনা হায়খি, লায়রবা লৌমী অমনা লোন শিংবা ঙমদবগী মতাংদদি মরল-মথুম মুনবিবগা লোয়ননা জেলদা ফাওবা থল্লি। অদুবু বিজয় মাল্লিয়ানা লুপা ক্রোর ৯,০০০ পুরগা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিবদা গভর্ণমেন্টনা য়েংদুনা লৈহৌরে। য়ু বি গ্রুপকী চ্যেরমেন ওইরিবা মাল্লিয়াবু ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মার্চ ৩০দা মশা লাক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

# আই ঈ দি পোকখায়বদা সী আর পি এফ ৫ শোক্লে



রাইপুর, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

নক্সলাইটকী অকনবা মফম ওইরিবা ছতিসগরগী সুক্মা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আই ঈ দি) পোকখায়বগী থৌদোক অমদা ওফিসার অনী য়াওনা সী আর পি এফকী জৱান মঙা অশোক-অপন নংখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদিসনেল সুপরি-ন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস সন্তোশ সিংহনা হায়খি, মুর্লি গুদাদগী বন্দা ফাওবা লম্বী শেল্লিবা মীওইশিং ঙাক শেল্লিবা সী আর পি এফকী কাঙবু অমনা বান্দা-কোন্তাগী উমং য়ৌরকপা মতমদা খঙহৌদনা বোম পোকখায়রকখিবনি।

অমোৎ-অকায় মরক্তা ফুমদুনা থম্লম্বা বোম অদু পোকখায়রকপদা দেপ্যুটি কম্মান্দেন্টকী থাক্তা লৈবা ওফিসার অনী-এস নিৱাস অমদি প্রভাত ত্রিপাতি য়াওনা জৱান মঙা অশোক-অপন নংখিবনি।

সী আর পি এফকী জৱানশিং অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯দা মুর্লি গুদা পেরা মিলিটরি কেম্পতগী মখোঙনা পেট্রোলিং চৎখিবনি। মখোয়না কেম্পতগী মিটর ৫০০ রোম চৎলগা লম্বী নাকলদা ফুম্লম্বা আই ঈ দি অমা পোকখায়রকখিবনি হায়না এ এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙরাংসু ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা সী আর পি এফকী জৱান অনী শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১৪ অশোক-অপন নংখি।

ওফিসলশিংনা হায়খি, সুক্মা দিষ্ট্রিক্তা নক্সলাইটশিংগা খুৎ থোক্লখিবদা জৱান অনী শিখিবগা লোয়ননা পি এস য়াদব কৌবা কমান্দেন্ট অমা য়াওনা অতোপ্পা ১৪ অশোক-অপন নংখিবনি।

ওফিসলশিংনা হায়খি, কম্মান্দেন্ট য়াদবনা লূচিংবা সী আর পি এফ কাঙবু অদুনা মখোঙনা পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা নক্সলাইটশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। থৌদোক থোকফমদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং থাজিন্দুনা মখা তানা থীবা হুম্বগী থবক চথুরি।

অশোক-অপন নংলবা ২০৮ শুবা কোব্রা বট্টালিয়নগী জৱানশিং অদু হেলিকোপ্টরদা পুরক্লগা মিলিটরি হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রাজনন্দগাউনগী আইরন ওর মাইন অমদা নক্সলাইটশিংনা এটেক চথদুনা মাইন অদুগী মেনেজর হাৎখিবগা লোয়ননা গাড়ী তরুক মৈ থাদোক্লম্বা লৈখ্রবনি।

# সার্ক মীফমদা সুস্মা, জয়শঙ্কর শরুক য়াগদৌরি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

থা অসিগী ১৪দগী ১৭ ফাওবা নেপালগী পোখরাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ন এসোসিএসন ফোর রিজনেল কোওপরেসন (সার্ক)কী মীফমদা এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমদি ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্কর শরুক য়াগদৌরি।

এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন বিকাশ স্বরুপনা পাউমীশিংদা হায়খি, মার্চ ১৪দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা সার্ককী ৫২শুবা প্রোগ্রামিং কম্মিটিগী মীফমদা ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্করনা শরুক য়াগনি।

মার্চ ১৬তগী হৌগদৌরিবা কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরসকী ৩৭শুবা মীফমদনা এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা শরুক য়াগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৪গী নবেম্বর থাদা নেপালগী কাদমান্দুদা পাঙথোকখিবা সার্কমীফমদা লৌখিবা ৱারেপশিং কদায় ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লবগে হায়বদু হন্দক্কী মীফমদা খন্নগদৌরি।

বিকাশ স্বরুপনা হায়খি, মমাঙগী মীফমদা ইন্দিয়ানা পুখৎখিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা অতৈ অতোপ্পা সার্ক লৈবাকশিংগী মতেং লৌনবা হোৎনরগনি।

মরকসিদা, সার্ক লৈবাকশিংনা টেররিজম লাকশিন্নবগী মতাংদা কম্মন কোর্ট অমা লিংখৎপা মথৌ তারে হায়না সুপ্রিম কোর্টকী জজ শরত বোবদেনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০০৮দা টেররিষ্টশিংনা মুম্বাইদা চথুরকখিবা এটেক অদুবু খুদম ওইনা পল্লদুনা জষ্টিস শরত বোবদেনা হায়খি, টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লগা এটেক চথবগী থৌদোক তোয়না থোক্লিবা সার্ক লৈবাকশিংদা টেররিষ্টশিংগী থবক থৌরমশিং মপুং ফানা থিংবা ঙম্নবগীদমক কম্মন কোর্ট অমা লিংখৎপা মথৌ তারে।

কোর্ট অমদি জুদিসিয়ারিনা টেররিজম লাকশিন্নবগী মতাংদা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা বোবদেগী ৱাফম অসি ফোঙদোক-খিবনি। মালেমগী থাক্তা অহানবা ওইনা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিসশিংনা টেররিজম লাকশিন্নবগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা বোবদেনা হায়খি, সার্ক লৈবাকশিংগী কম্মন কোর্ট অমা লিংখৎলবদি টেররিজম লাকশিন্নবা হোৎনবা থৌরাংশিং লৌকৎপদা খুমাঙ চাউশিনহনবা ঙমগনি।

ইন্দিয়ানা মখল কয়াগী টেররিজম মায়োক্নরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, পোলিটিকেল টেররিজম, নার্কো টেররিজম অমদি ক্রোস বোর্দর টেররিজম মায়োক্লরিবা ইন্দিয়ানা হীরম অসিদা অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মতেং লৌনবা হোৎনরি।

মতৌ অসুম্না অতৈ লৈবাক কয়ানসু ইন্দিয়াগী মতেং লৌনবা হোৎনরি। অমনা অমদা মতেং পাংনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেদি কম্মন কোর্ট লিংখৎপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা অফঘানিষ্টান, শ্রীলঙ্কা, বাংলাদেশ, নেপাল, ভুতান, পাকিষ্টান, ইন্দিয়া অমদি মালদিবসকী জষ্টিস কয়ানা শরুক য়াখি। গ্লোবল সেন্টর ওন কোওপরেটিব সিক্যুরিটি অমসুং সাউথ এসিয়া জজেস প্রোজেক্টনা খুৎশম্নরগা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।


## শো তাহৌরে

ঐগী গাড়ী Alto Registration No. MN12FK-4808 অসিগী শো হৌখিবা তাং ২৫/২/২০১৬ দা য়ূমদগী কোদোমপোকপী লমখাই বজার ফাওবগী মনুংদা তাহৌরে। কনাগুম্বনা থেংনবিরবদি মখাগী নম্বর অসিদা কোল তৌবিরকউ, অৱামল তৌজগে।

Sd/- Soibam Kalamu Meitei
HL-P/7861/12 Kodompokpi Lamkhai, # 9089435531

## NOTIFICATION

Assn. of All Manipur Unreserved Waiting List Candidates for Primary Teachers - 2006 do hereby notified to all the Executive Members and Members (Unreserved Waiting List Candidates for Primary Teachers - 2006) to present on 13/03/2016 (Sunday) at 10:00 A.M. for "GENERAL BODY MEETING".

*Sd/- Gurumayum Dayananda Sharma*
General Secretary
AAMUWLCPT - 2006
# 9089234275/9774436710/9862101943
HL-P/7866/12

## VACANCY

Urgently wanted 25 (M/F) permanent staffs for a reputed firm working with National Geographic Society for Imphal Branch.

**Post : Trainee Manager**

**Qualification : 10+2 and Above**

**Income : 8,000-25,000 pm+free Air Ticket for company meetings.**

**Language : Capable of Speaking English or Hindi.**

Interested persons may contact between 10:00 a.m. to 4:00 p.m. with C.V. on or before 16th, March 2016.

**Sd/- Times Group of Company**
Nagamapal, Near Shangai Hotel,
Imphal, # 8415092124.
HL-P/7873/12

## ERAMDAM MANIPUR CHAOKHAT KHONGTHANG FINANCE SERVICE

H/Q - Sangaiprou Imphal/Oinam Branch

EMCKFS provides on any kinds of Loan! Business Loan, Venders and Hawkers Loan, Vehicle Loan (4 wheelers, 2 wheelers, Luxury Cars, Commercial Vehicle) and households items like Electronics Gadgets, T.V. Refrigerator, Washing Machine etc.

*** NO GUARRANTOR ***

*** LOWEST DOWN PAYMENT ***

*** EASY DOCUMENTATION ***

**Please Contact us:**

**# 7085051906 # 7085051896**
**# 7308953178 # 8794238593 # 9089910964**

**Sd/-** Managing Director

HL-P/7713/12,13,14,15,16,17,18,19,20,21,22,23,25

## IN THE COURT OF THE SUB:DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST, LAMSANG

*Ref:- Mut. Case No. 569/SDC/IW-L/2016*

(1) Maibam (O) Shamachakhi Devi W/o (L) M. Ghandhi Singh of Lamdeng Makha Leikai (2) Leishangthem Rajen Singh S/o (L) L. Nitai Singh of -do- -Petitioners

-Vs-

Late Leishangthem Nityai Singh S/o (L) L. Tamal Singh of Lamdeng Makha Leikai. -O.P. Party

### NOTICE

The 7/03/2016

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার লৈশাংথেম নিত্যাই সিংহ পীং মৃত তমাল সিংহ, সাং লমদেংগী মিংদা লৈবা ঈঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ১০৫ - লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ১৬২, দাগ নং ২৬৯ গী এরিয়ানা .২৫ চাউবা ইঙ্খোল অসি এপ্লিকান্ট নম্বর ১ না .০৫ অমসুং এপ্লিকান্ট নম্বর ২ না .২০ অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd- N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector, I/W: Lamsang
HL-P/7862/12

## IN THE COURT OF THE SUB:DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST, LAMSANG

*Ref:- Mut. Case No. 571/SDC/IW-L/2016*

Maisnam Shantikumar Singh S/o (L) Jibendra Singh of Uripok Polem Leikai -Petitioner

-Vs-

Late Maisnam Jibendra Singh Alias Nipamacha Singh S/o (L) Kala Singh of Uripok Polem Leikai. -O.P. Party

### NOTICE

The 9/3/2016

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার মাইস্নাম জিবেন্দ্রা সিংহ ওর্ফে নিপামচা সিংহ পীং মৃত কালা সিংহ, সাং উরিপোক পোলেম লৈকায়গী মিংদা লৈবা ঈঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৩-লমশাংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৯৭/২৬৭, দাগ নং ৪৭/৩৫৭ অমসুং এরিয়ানা .৬২ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd- N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector, I/W: Lamsang
HL-P/7862/12

## লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থব্রক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ঙসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/2985/29/02-28/03

## OFFICE OF THE JIRIBAM MUNICIPAL COUNCIL, MANIPUR NOTICE

Jiribam, the 9th March 2016

No.5/HFA/JMC/2016 : It is hereby notified for information to all concern that in response to this office Notification for Demand Survey of even number dated 29/02/2016, **a preliminary List of Beneficiaries** has been prepared for providing financial assistance under the sub-component - **'Subsidy for beneficiary - led individual house construction' of the Pradhan Mantri Awas Yojana - Housing for All (Urban).** A copy of the said list of beneficiaries is available for inspection at the office of the undersigned, the concern Ward Councillor and Member - Secretary of Ward Development Committees (WDCs).

If there be any claim for the inclusion as a beneficiary or any objection to the inclusion of any person as beneficiary or any other relevant objection then, such claim or objection, as the case may be, should be submitted/lodged to the undersigned or the concern Ward Councillor or the Member-Secretary, WDC on or before 14th March 2016.

*Sd/- Th. Harikumar Singh*
Executive Officer, Jiribam Municipal Council, Manipur
HL-P/7864/12

## থবক কৌজরি SAMUROU BRANCH

নোটিস অসিনা কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা অমদি পামজবা মীওইশিংনা মখাদা পীজরিব কেনি দদেট নুপা-নুপী চহী ১৮ দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা অহাংবা ফমশিং অসিগী Samurou Branch কী ওইনা দরখাষ্ট কৌজরি।

| S/No. | Name of Post | Post | Qua. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Loan Recovery | 10 | 10+2(Above) | 5500-16000 |
| 2. | Reception | 4 | 10+2(Above) | 5500-16000 |
| 3. | Inspector | 4 | 10+2(Above) | 6000-18000 |
| 4. | Computer Operator | 2 | 10+2(Above) | 6000-18000 |
| 5. | Collector | 30 | VIII (Above) | 5000-15000 |

Last Date of Form Submission : 17/03/2016
Date of Interview : 18/03/2016
Joining Report : 21/03/2016
Office Hour : 10:30 a.m. to 4:00 p.m.
Office : Eikhoy Punna Hingminnaba Thrift & Credit Co-Operative Society Ltd.
Office Address : Samurou Bazar Manung.

Sd/- Eikhoi Punna Hingminnaba Thrift & Credit Co-Op. Society
HL-P/7871/12,14,15 Mar.

## BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT IMPHAL

### AFFIDAVIT

I, **Khwairakpam Nanao Singh,** Date of Birth 02/03/1996, S/o **Khwairakpam Manao Singh,** residing at Uripok Bachaspati Leikai, P.O.&P.S. Imphal, District-Imphal West, Manipur do hereby take oath and solemnly affirm as follows :

1. That, I am a bonafide citizen of India having a permanent resident at the above mentioned place. This is true to the best of my knowledge.
2. That, I am the Passport Holder being No. J1794208 isssued by Passport Authority of India, Guwahati. This is true to the best of my knowledge.
3. That, in some documents my mother's name has been recorded/ written as **Khwairakpam Luwangleima Devi** instead of **Khwairakpam Ahanbi Devi.** This is true to the best of my knowledge.
4. That, I desire to rectify my mother's name as **Khwairakpam Ahanbi Devi** in the relevant document of the said Passport so as to avoid any complicacy in future. This is true to best of my knowledge.

Verified that the contents of the above para No. 1 to 4 of this Affidavit are all true to the best of my knowledge, in conceals nothing and I swear this Affidavit on this 11th day of March, 2016 at Imphal.

*Drawn by :*

Dependent : Kh. Nanao Singh

Th. Pramotkumar Singh
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal West, Manipur
Regd. No. 269 of 2014
HL-P/7870/12